### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# ইংলেন্দনা ইরানবু লাকচনা থোইদুনা মায় পাক্লা ফিফা ৱর্ল্ড কপ কেম্পেয়্যন হৌদোকখ্রে



কটার,নবেম্বর ২১(এজেন্সী): বুকায়ো সাকানা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা ইংলেন্দনা ইরানবু লাকচনা ৬-২দা চথরিবা কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ঙসি খালিফা ইন টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা মায় পাক্লা কেম্পেয়্যন হৌদোকখ্রে।

ইংলেন্দগী শান্নরোয়শিংনা শান্নবা হৌরকপদগী খূদুম চন্না শান্নখি। বুকায়ো সাকানা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা পুশিল্লকপা বোল অমা লৌনবা হোৎনবদা ইরানগী মেহদি টারেমিনা ফাউল অমা তৌবদগী রেফরিনা ইংলেন্দগী ফেভরদা ফ্রী কিক্ অমা পীখি। হেরি মেগ্যেরনা কাওখিবা ফ্রী কিক্ অদু পোষ্টতগী লাপ্না চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি।

ল্যুক সোনা ৱাংনা পীরকপা পাস অমগী মতেংদগী জুট বেলিংহমনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। বুকায়ো সাকানা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ইংলেন্দগী অনীশুবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা হেরি কেনগী পাস অমগী মতেংদগী রহিমনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী অহুমশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ইরানবু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা ইংলেন্দগী খূদুম চনবা মখা চত্থরকপা ওইনা বুকায়ো সাকানা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মার্কস রাসফোর্দ অমদি জেক গ্রিলিশনা শান্নবগী ৭১ অমদি ৯০ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী মায় পাকপগী ৫শুবা অমদি ৬শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেহদি টারেমিনা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা ইরানগী একাউন্ট হাংবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ১৩শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী ইরানগী অনীশুবা গোল চনখিবনি।

অমরোমদা, অল থুমামা ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা সিনেগলবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি।

নেদরলেন্দসকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কোদি গেকপো অমদি দেভি ক্লাসেননা শান্নবগী ৮৪ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

**TODAY'S MATCHES**

| | |
|---|---|
| GRP-B - USA vs Wales | (12:30 AM) |
| GRP-C - Argentina vs Saudi Arabia | (3:30 PM) |
| GRP-D - Denmark vs Tunisia | (6:30 PM) |
| GRP-C - Mexico vs Poland | (9:30 PM) |

### অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপ

# ইম্ফাল ইষ্ট পোলো এসোসিএসন সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এম্পা)না শীন্দুনা কংলাগী মনুং কাংজৈবুংদা চথরিবা অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসননা লম্ফেল পোলো ক্লবপু লাকচনা ৪৪-৫দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ইম্ফাল ইষ্টকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু থোকচোম জেকোবনা ১৩, ওক্রম রোজর অমদি থাংজম বসন্তনা ৬/৬, উমেশ গুরুং অমদি মোংবিজম বিলমনা ৫/৫, থৌদাম মোমোচানা ৪, লাইফ্রাকপম কোকেশ্বরনা ৩ অমদি লোইতাম তোলোংখোম্বনা ২ চনবা ঙমখি।

লম্ফেল পোলো ক্লবকী গোলশিং অদুনা থৌদেম রঞ্জননা ৪ অমদি সরাংথেম অবুংনা ১ চনখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পেরাদাইজ ক্লব ৱাঙ্খৈনা অসাম রাইফলস পোলো টিমবু ১২-১১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ৱাঙ্খৈ টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোইরাংথেম অনন্দ অমদি থাংজম ভগৎকুমারনা ৩/৩, কোঞ্জেংবম সমানন্দনা ২ অদুগা নামৈরাকপম ফিলিপ, য়াইখোম প্রিতম মৈতৈ, কোন্সম প্রেমকুমার অমদি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তিকুমারনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অসাম রাইফলস টিমগী গোলশিং অদুনা কে ঐচ সুশিলোনা ৬, এম দি রিয়াকট অলি অমদি থোকচোম প্রেমানন্দনা ২/২, কে চন্দ্রকুমারনা ১ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা মণিপুর পুলিস পোলো টিম অমদি ক্রিপসা পোলো ক্লব, অনীশুবদা তেন্থা পোলো ক্লব অমদি লমন সগোল ক্লব শান্নরগনি।

### মণিপুর ষ্টেট লীগ

# রাওনা য়ারখোক য়ুনাইটেদ থোইখ্রে, মুভানলাই এথলেটিক্স অমদি এ এফ সী পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে



ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): অম্ফানা শীন্দুনা চথরিবা ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা রাইজিং এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (রাও) লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা য়ারখোক য়ুনাইটেদ এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মুভানলাই এথলেটিক্স অমদি দি এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী) ১-১দা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে।

রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা পূন্না মেটচ ৯ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা ৩ মায়থীরগা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা গ্রুপ এগী টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে। এ এফ সীনা পূন্না মেটচ ৯ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা ৩ মায়থীরগা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা গোল দিফরেন্সতা টেবলগী মরিশুবা মফমদা লৈরি।

মুভানলাই এথলেটিক্সনা পূন্না মেটচ ৯ শান্নবদা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো ওইদুনা ৩ মায়থীরগা পোইন্ট ১২ ফংলগা টেবলগী মঙাশুবা অমদি য়ারখোক য়ুনাইটেদনা পূন্না মেটচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ৩ ফংদুনা টেবলগী ইরোই লোইবদা লৈরি।

রাও অমদি য়ারখোক য়ুনাইটেদ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

ঙাঙোম জিতেননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা রাওগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অহন্থেম রিসননা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা অনীশুবা অমদি মাইস্নাম অর্বিসননা শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। য়ারখোক য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ব্লেসিং কৈশিংনা শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মুভানলাই এথলেটিক্স অমদি দি এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লব ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

মুভানলাইগী গোল অদুনা ঙমমিনলেনগৌ তৌথাংনা শান্নবগী ১৬ শুবা মিনটতা চনখি। এ এফ সীগী গোল অদুনা সিংঙাময়ুম ফরিদ শাহনা শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

# ১৪শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ঙসি হৌরগনি

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ১৪শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ২০২২ ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হৌদোক্লগনি।

অহৌবা মেটচতা য়ু কে অমদি ইন্দিয়ন নেভি টিম অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম মঙা- য়ুনাইটেদ কিংদম, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা, ইন্দিয়ন পোলো এসোসিএসন (ইন্দিয়া-এ), মণিপুর (ইন্দিয়া-বি) অমদি ইন্দিয়া নেভি পোলো টিমনা শরুক য়াগদৌরি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা থৌরম মপু অদুগা মিনিষ্টর খাশিম ভাসুম অমদি মনিদকোগী চ্যেরপর্সন কে রোবিন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়ারগনি।

অমরোমদা, টি প্রদিপকুমার, পি ওজিৎ, লাইশ্রম অতাঙবা, লাইশ্রম সদানন্দ, লাইশ্রম রোহিট অমদি সোইবম সদানন্দনা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) রিপ্রজেন্ট তৌরগনি। এস বিমোল অমদি এন ইবুংঙোচৌবীনা কোচ অমদি মেনেজর ওইরি।

# হিরো আই লীগ : ট্রাওনা কেনক্রে এফ সী হোম মেটচতা থোইখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): এ আই এফ এফনা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ট্রাও এফ সীগী অহানবা হোম মেটচতা কেনক্রে এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংবা ঙমখ্রে।

ট্রাও এফ সীনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ অনী শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা টেবলগী ৪শুবা মফমদা অদুগা কেনক্রে এফ সীনা মেটচ ২ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা ৯শুবা মফমদা লৈরি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ট্রাওগী নানা পোকুনা শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা কেনক্রে এফ সীবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

হোম টিমগী খূদুম চনবা মখা চত্থরকপা ওইনা কোমরোন টুর্সুনোভনা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা ট্রাওগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা ট্রাওগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ট্রাওগী রিশি শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

# জোনিনা ওভরওল সিনিয়র মিষ্টর শাফবগী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর বোদি বিল্দর্স এসোসিএসননা শীন্দুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ওইনাম মমাং লৈকাই লাইফম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল/দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্টতা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খৈগী লোংজম জোনিনা ওভরওল সিনিয়র মিষ্টর শাফবগী টাইটল লৌখ্রে।

কে বি বি জিম তেরাগী য়ুম্নাম থোমাসনা ওভরওল জুনিয়র টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না জুনিয়র মীদিয়ম কাঙলূপ্তা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টরগী বল্লু নোংমাইথেম, কে বি বি জিমগী লমজিংবা মোইরাংথেম অমদি প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টরগী সলাম বিকেননা জুনিয়র শোর্ট, টোল অমদি সুপর টোলদা অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

মাষ্টর ওপনদা কে বি বি জিমগী চোংথাম নাওচিংলেন অমদি ৱিমেন্স ফিটনেসতা স্মার্ট ফিটনেস সেন্টর নম্বোলগী থৌদেম রেস্মা চনুনা অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি। স্মার্ট নম্বোলগী হৱাইবম সুশিলকুমারনা মেন ফিজিককী ওভরওল টাইটল লৌবা ঙমখি।

### অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স য়ু-১৯

# পি টি সী সীনা রন ৯৬তা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা পাৎসোই পার্ট-৪গী পি টি আর সী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি সী সী পাৎসোইনা পি টি আর সী পাৎসোইবু রন ৯৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা পি টি আর সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পি টি সী সীনা অপীবা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২২৬ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পি টি আর সীনা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১৩০ লৌদুনা পি টি সী সীগী মখূৎতা রন ৯৬তা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা পি টি সী সীগী লৌরেম্বম প্রেনানা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ২১দা রন ১৮ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৪ বোলিং তৌবদা ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### খেলো ইন্দিয়া য়ু-১৭ গলর্স ষ্টেট লীগ

# আই সী এস এ, ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): আই সী এস এ ইরেংবমনা পেহলুম লমহিল লোম (পি এল এল)বু ২-১দা চথরিবা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট লীগ ফোর অন্দর-১৭কী ঙসি ৱাঙ্খৈগী ঈ এস য়ু গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

ইরেংবম টিমগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু কেপ্টেন ইরোম সোনিবিয়া অমদি ইরেংবম থাজমানবীনা শান্নবগী ১৬ অমদি ১৭ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। পি এল এলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লিংদৈকিমনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খৈনা এফ সী ইম্ফালবু লাকচনা ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঈ এস য়ুগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কোন্থৌজম হেলেনা, কেপ্টেন য়ুম্লেম্বম বিদ্যাঙম্বী, কোংখাম প্রিয়াঙ্কা, চান্দম অঞ্জলি, অথোকপম লক্ষ্মী অমদি লোংজম নীরা চনুনা অমমম্ চনবা ঙমখি। এফ সী ইম্ফালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কেপ্টেন থোকচোম ওলিভিয়ানা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চনখিবনি।

### মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# এম আই য়ু এফ সী, পি টি সী সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এম আই য়ু এফ সী ময়াং ইম্ফাল অমদি পি টি সী সী পাৎসোই ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। পাৎসোইগী অরুননা শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা ময়াং ইম্ফালগী পৌগুইচুংনা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা দ্রো ওইখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম টি এস য়ু মালোমনা য়ু এস সী ফয়েংবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মালোম টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু তাইবংলেম্বা, নিরিলভাস, মাইভ অমদি রাহুলনা শান্নবগী ২৭, ৩৫, ৪৯ অমদি ৭৯ শুবা মিনটতা চনখি। ফয়েংগী গোল অদুনা নেক্কিনা চনখিবনি।

### সব-জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন

# রিশব বোইজ সিঙ্গলকী সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্ণৌদা থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা চথরিবা সব-জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা বোইজ সিঙ্গলস অন্দর-১৩গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ষ্টেটকী শান্নরোয় রিশব ঙাঙোমনা বেদান পাহৱাবু ২১-১৮, ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, বোইজ দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রিশব ঙাঙোম অমদি মার্টিন ইঙুদমগী প্যেরনা অখিল রেদ্দি বোবা অমদি অভিশেক বোনুগী প্যেরবু ২১-১১, ২১-১৭তা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

# ষ্টেট স্বিম্মিং টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): হরয়ানাগী অম্বালা কান্টতা লৈবা ৱার হিরোজ মেমোরিএল ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৫দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা নেসনল মাষ্টর্স এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা নুপা অমদি নুপী স্বিম্মরশিংগী মমিং ঙসি মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

নুপা স্বিম্মরশিং অদুদি য়ুম্নাম নিকেল, মাইবম জিকু, দল্লিয়ু ধনবির, এন শান্তিকুমার, এন সুরেশ, মাইবমচা চিংলেম্বা, টি রনবির, এস জয়ন্ত, বি উমাকান্ত, এল লেনিন, এস নন্দ, জি ফুলেন্দ্রো, পি স্বামেন্ত, কে এস ঐচ রামধোন, অকোইজম শরত, ৱাই হেরাচন্দ্র, হুইরেম গোজেন, এন সন্তোশ, এম সুবোল, এন কুমার, এন ইবোমচা, এ অজয়কুমার, এন নরজিৎ, এন খোমদোন, কে এস ঐচ মঙ্গি অমদি টি ঐচ অরুনকুমারনি।

নুপী স্বিম্মরশিং অদুনা এস ঙৌনু চনু, এন রাধা লৈমা, ৱাই কমলাবতি, এ রিতা, টি ঐচ লৈরেনতোম্বী, এল মাইপাক, এল নিল্লপদ্ম, এ মানবী অমদি এল কেতুকিনি।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা লেনিন হুইদ্রোম (মেনেজর), এম লোকেশ্বর (ৱিমেন কোচ) অমদি কে ঐচ জিল্লা (মেন কোচ)না শরুক য়াগদৌরি।


# ফেন্সরশিং রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল,নবেম্বর ২১(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ফেন্সর খূদিংমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফেন্সিং এসোসিএসনদা শুংশোয় শোয়দনা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি।

রেজিষ্টর তৌবা ফেন্সরশিংনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতা শান্নজগে হায়রবসু এসোসিএসননা নো-ওবজেক্সন সর্টিফিকেট পীগনি অমদি রেজিষ্টর তৌবগী রেজিষ্ট্রেসন ফীনা লুপা ৫০০ ওইগনি।

রেজিষ্টর তৌহৌদবা শান্নরোয়শিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াবা য়ারোই।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 636**

**Angelo Auletta (2170) - Miragha Aghayev (2404)**
**Salerno, 2018.02.03**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 Bd7 | 6.Bc4 Nc6 | 7.O-O a6 | 8.Re1 e6 |
| 9.Nxc6 Bxc6 | 10.Nd5 Rc8 | 11.Bb3 Bb5 | 12.c4 Bxc4 |
| 13.Bxc4 Rxc4 | 14.Qb3 b5 | 15.Nxf6+ gxf6 | 16.a4 Qa5 |
| 17.Bd2 Qxd2 | 18.axb5 Rb4 | 19.bxa6 Rxb3 | 20.a7... |

**QUESTION :**
**Black to defend and win**

**Puzzle 635 Ans. :**

30. ...Qxg2+ The black queen deflects White's rook away from protecting the square e1. The black queen captures White's pawn, which was defending the square f3. Opening the line from e1 to h1. 31. Rxg2 Nf3+ 32. Kh1 Re1+ 33. Rg1 Rxg1# Arabian mate
0-1



HL-P/4575/1-30/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com